ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# কেমরুন সর্বিয়াগা ৩-৩দা দ্রো ওইখ্রে, ঘানানা সাউথ কোরিয়া মায়থীবা পীখ্রে

## ব্রাজিলনা স্বিটজরলেন্দ থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



### জর্মনিনা স্পেনগা দ্রো ওইদুনা লাষ্ট ১৬ য়ৌবগী থাজবা হিংহনখ্রে

কটার,নভেম্বর ২৮ (এজেন্সী): কেমরুননা সর্বিয়াগী গোল ২ মাংজিল থানা চৎলম্বা হন্দোক্তুনা ৩-৩দা ঙসি নুংথিল অল জানোব ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ ঐচকী মেটচ অমদা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখ্রে।

হৌজিকফাওবদা টিম অনীনা মেটচ ২/২ শান্নখিবদা পোইন্টঅমমম্ফংদুনা গ্রুপকী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা মফমদা লৈরি। কেমরুননা মখোয় অরোইবা মেটচতা ব্রাজিলগা ইরাই নুমিৎতা শান্নরগনি। অদুগা সর্বিয়ানা স্বিটজরলেন্দগা নুমিৎ অসিমক্তদা চপ মান্নবা পুংফমদা থেংনরগনি।

কেমরুনগী জিন চার্লিস কেষ্টেলেটোনা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা ষ্ট্রাহিঞ্জা পেল্লোভিকনা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা সর্জেস মিলিনকোভিক সেভিকনা সর্বিয়াগী গোল অমগা হাপচিন্দুনা কেমরুনবু ২-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা সর্বিয়াগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা অলেকসেন্দর মিট্রোভিকনা শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনটতা গোল অমগা হাপচিন্দুনা কেমরুনবু ৩-১দা মাংজিল থাখি।

ভিন্সেন্ট অবৌবক্করনা শান্নবগী ৬৩ শুবা মিনটতা কেমরুনগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা এরিক মেক্সিম চৌপোনা শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ৩-৩দা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখিবনি।

অমরোমদা, অল বেইট ষ্টেদিয়মদা নোংমাইজিং নুমিৎকী নোংয়াই মতুংদা শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা জর্মনিনা স্পেনগা ১-১দা দ্রো ওইদুনা লাষ্ট ১৬ য়ৌবগী মংলান অমুক হন্না হিঙ্গৎহনখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফতা স্পেনগী অলভারো মোরাটানা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা জর্মনিবু ১-০দা মাংজিল থাখি। নোর্মেল টাইম লোইগদবা মিনট ৭ ৱাৎলিঙৈ নিক্লাস ফুলক্রুকনা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। মখা তাবা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী জর্মনিনা স্পেনগা দ্রো ওইখিবনি।

স্পেননা মেটচ অনী শান্নখিবদা পোইন্ট ৪ ফংলগা গ্রুপকী অহানবা অদুগা জর্মনিনা পোইন্ট ১ ফংলগা ইরোই লোইবদা লৈরি।

অতোপ্পা ঙসি নুমিদাংৱাইরম এদ্যুকেসন সিটি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ ঐচকী মেটচ অমদা ঘানানা সাউথ কোরিয়াবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

মোহমদ সালিসুনা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা ঘানাগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মোহমদ কুদুসনা শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা ঘানাগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী গোল অনী অদুনা চো গুই-সুংনা শান্নবগী ৫৮ অমদি ৬১ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ষ্টেদিয়ম ৯৭৪দা ঙসি নুমিদাং শান্নখিবা গ্রুপ জিগী মেটচ অমদা ব্রাজিলনা স্বিটজরলেন্দবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ১৬ ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ব্রাজিলনা মেটচ অনী শান্নবদা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপকী মকোক্তা লৈরি। অদুগা স্বিটজরলেন্দনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি।

কেসিমিরোনা নোর্মেল টাইম লোইগদবা মিনট ৭ ৱাৎলিঙৈ ব্রাজিলগী মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা ভিনিসিয়সনা অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী গোল চনখি। অদুবু গোল অদু ওফসাইদ তারম্বদগী অরেম্বা তাখি।

ভিনিসিয়সনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা গোল চনবা য়াবা শোট অমা স্বিটজরলেন্দগী গোলকিপর সোম্মরনা নীংথিনা ফাদুনা অরেম্বা তাহনখিবনি। মেটচ অসিদা ব্রাজিলগী গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা কয়া ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখিবনি।

ব্রাজিলনা মখোয়গী অরোইবা মেটচতা কেমরুনগা থাংজ নুমিৎতা শান্নরগনি। নুমিৎ অসিমক্তদা স্বিটজরলেন্দনা সর্বিয়াগা থেংনরগনি।

| TODAY'S MATCHES | |
|---|---|
| GRP-A - Ecuador vs Senegal | (8:30 PM) |
| GRP-A - Netherlands vs Qatar | (8:30 PM) |
| GRP-B - Wales vs England | (12:30 AM) |
| GRP-B - Iran vs USA | (12:30 AM) |

মণিপুর ষ্টেট লীগ

# সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমদি রাও সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৮(ঐচএনএস): অম্ফানা শীন্দুনা চথরিবা ১৫ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমদি রাইজিং এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (রাও) লাইরিকয়েংবম লৈকাই সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাকখিবা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমদি রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাই অনীনা দিসেম্বর ৩গী নুংথিল পুং ১.৩০দা আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। ক্লাসা এফ সী কৈনৌ অমদি কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রি ইরিল মপাল অনীনা দিসেম্বর ১গী নুংথিল পুং ১.৩০দা চপ মান্নবা মফমদা অহানবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা গানঙম সোক্কর ক্লবপু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কেপ্টেন সিংঘাম সুভাশনা শান্নবগী ১৫ অমদি ৭৮ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা য়ামি লোংভানা শান্নবগী ৮৯ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা রাইজিং এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (রাও)না সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শীংজ মৈবু টাই ব্রেকতা ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা এস এস য়ুগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অনী- লাইশ্রম কিষন অমদি রোবর্ট উশমনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুগা রাওগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৪- জাংগাজিন কুকি, গোলকিপর ৱাংখৈময়ুম ওলেনজিৎ, কেপ্টেন ৱাকস্বম মাইকেল মৈতৈ অমদি মাইস্নাম আর্বিসননা গোল ওন্থোক্তুনা এস এস য়ুবু ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

### জুদোগী চীফ কোচ কে সাবিত্রি চনু লৈখিদ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ২৮(ঐচএনএস): স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) এস টি সীগী ইন-চার্জ অমদি জুদোগী চীফ কোচ ওইরম্বী খোইস্নাম সাবিত্রি চনু থা অসিগী ২৭তা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৬২ শুখ্রে।

অমরোমদা, মহাক্না লৈখিদবদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, এস টি সী খুমন লম্পাক ইম্ফালনা অৱাবা ফোঙদোরক্নি। সেন্টর অসিগী ষ্টাফশিং, কোচশিং অমদি এথলিটশিংনা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা মপূগী মফমদা থৌনীজখি।

সাই এস টি সীগী দেপ্যুটি দিরেক্টর এল ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমদা লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি।

অনীশুবা অম্ফা কপ

# ক্লাসিক এফ এ অমদি য়ুনাইটেদ ব্রদর্স মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ২৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা অনীশুবা অম্ফা কপকী ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা ফুটবোল ক্লব লমজাওবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

হাওবম তোম্বনা শান্নবা হৌরকপগী ১০শুবা মিনটতা সী এফ এগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। সোরোখাইবম রোবর্টনা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা অনীশুবা অদুগা সর্টো ৱোরনৈলেন কোমনা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা অহুমশুবা অমদি য়েন্দ্রেম্বম রোহিটনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা ক্লাসিক একাদেমিগী মায় পাকপগী মরিশুবা গোল চনবা ঙমখি।

এলাংবম জয়কিষননা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা এফসী লমজাওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনখি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স এফ সীনা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা)বু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ু বি এফ সীগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু নাথনিএল চিলহাং অমদি থাংগৌলেন হাওকিপনা শান্নবগী ৩২ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি কাংজম অমিটকুমার মৈতৈনা য়ুনাইটেদ ব্রদর্সকী সেমী আর শিমরে শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা অদুগা অমোফাগী কেপ্টেন কোঞ্জেংবম ন্যুটন অমদি মোইরাংথেম দেভিদসন শান্নবগী ২৯ অমদি ৪১ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# আই য়ু এফ সী অমদি জুভেনাইল ক্লব ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৮(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৫শুবা মনি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি গ্রুপকী লীগ মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা গ্রুপ এগী ৱিন্নর জুভেলাইল ক্লব সলাম অমদি গ্রুপ বীগী ৱিন্নর আই য়ু এফ সী অৱাং সেকমাই ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী অরোইবা লীগ মেটচতা এম আই য়ু এফ সী ময়াং ইম্ফালনা কে এস ৱাই সী হিয়াংথাংবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল টিমগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু পানমৈনা শান্নবগী ১৪ অমদি ২২ দা চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি সী ঐচ পামৈনা ময়াং ইম্ফাল টিমগী রবি অদুগা কে এস ৱাই সীগী সৈত্যম অমদি সন্দিপপু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

মায় পাকখিবা এম আই য়ু এফ সীনা পূন্না মেটচ ৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ৮ ফংলগা ৪শুবা অদুগা কে এস ৱাই সীনা পোইন্ট ১০ ফংলগা ৩শুবা মফমদা লৈখ্রে।

# ষ্টেট বোল বেদমিন্টন টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৮(ঐচএনএস): কেরলাদা দিসেম্বর ২৪দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৮ শুবা সিনিয়র নেসনল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী নুপা অমদি নুপী টিম ঙসি বোল বেদমিন্টন এসোসিএসন মণিপুরনা লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি রামানন্দ টি ঐচ, সঞ্জিৎ মোইরাংথেম, ইকোকলেন নোংথোম্বমচা, মালেমঙানবা ঐচ, সুভাজিৎ মৈতৈ এল, ইরুংবম মনিসনা, সুবরাজ মৈতৈ এল, অলেক্স লৈশাংথেম, তখেল্লম্বম সলাইঙম্বা অমদি লাইশ্রম মহেশ্বরনি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা স্বিতি কৈশাম, রোশনী ওইনাম, প্রিতি নাওরেম, সর্জু লাইশ্রম, লৈমজম নোংপোকঙানবী চনু, নোংমৈকাপম জেনিয়া, অসেম রুবিনা, অরিবম উর্জেনি, রাজকুমারী মোনা অমদি নোংমাইথেম নিংঙোল্লে চনুনি।

ওফিসল ওইনা নুপাগীদা এন ওপেন্দ্রো (মেনেজর), বি কে লোংজম (কোচ) অদুগা নুপীগীদা ৱাহেংবম সর্জু (মেনেজর) অমদি এল জুগিন্দ্রো (কোচ)নি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২৯গী অয়ূক পুং ৬.৩০দা চীংঙামখা লুৱাংপোকপা লম্পাক্কী বাস্কেট বোল গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্নি।

ৱিমেন্স য়ু-১৯ ক্রিকেট

# পি টি সী সীনা ফোর্স মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ২৮(ঐচএনএস): পাৎসোইগী পি টি আর সী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৯ ৱান দে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি টি সী সী পাৎসোইনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওবু রন ১২০দা মায়থীবা পীখ্রে।

পি টি সী সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৩৫দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২৫০ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা ওভর ৩৫দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৩০ লৌদুনা পাৎসোই টিমগী মখূৎতা রন ১২০দা মায়থীখি।

লোইশিল্লকপদা পি টি সী সীগী থৌদাম মঙালসনানা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৪৬তা রন ৩৯ অমদি অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা ৱিমেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

৭শুবা নেসনল কুংফু চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুরনা গোল্ড ১০ লৌখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৮(ঐচএনএস): গুজরাটনা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ২৫দগী হৌদুনা পাঙথোকপা ৭শুবা নেসনল কুংফু চেম্পিয়নশিপ নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা গোল্ড ১০ লৌবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মহারাষ্ট্রনা তাওলু অমদি সেন্দা ইভেন্টতা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন অদুগা মধ্য প্রদেশনা ওভরওল রন্নর্স অপ অদুগা কেরলানা অহুমশুবা অমদি অসামনা মরিশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

গোল্ড মেদল লৌখ্রবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অদুদি বি তম্ফাসনা, ঐচ দেবজানী, পি জয়শ্রী, ঐচ থোমাস, এস মালেমঙানবী, ঐচ এলিজা, ঐচ বিশ্বরজিৎ, নেলসন নাওরেম, এম বাবুমচা অমদি ঐচ নিল্লচন্দ্রনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ২৩দগী লাকপা শান্নরোয় ৪০০ রোম্না শরুক য়াখিবনি।


### এল আর লুথরনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৮(ঐচএনএস): সেনাপটিগী এল আর লুথরনা পুং ২:৩২:৫২দা লমথুংফম য়ৌদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা কিলোমিটর ৪২.৫ শাংবা ৬শুবা মেন্স ওপন দি ৱাই এম ও মণিপুর মারাথোনগী অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।

হোজাইদগী এস মনাওবীনা লুথরদগী মিনট ৭কা সেকেন্দ ২২ চোন্থরগা লমথুংফম য়ৌদুনা অনীশুবা অদুগা সেনাপটিদগী ঐচ ঙাওপুলৌনা ২শুবদগী মিনট ৬কা সেকেন্দ ১৩ চোন্থনা লমথুংফম য়ৌদুনা ৩শুবা পোজিসন তাখি। লমশাং লমজেল অসি মোইরাং নরানসৈনাদগী হৌদুনা উরিপোক অচোম লৈকাই বাস্কেট বোল গ্রাউন্দদা লোইশিনখিবনি।

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/2/10,11,12/10-2/12(alt)

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 643

Jan Gustafsson (2638) - Spartak Grigorian (2460)
Bundesliga 2022-23 Bremen GER, 2022.11.26

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Bb4 | 4.e3 O-O |
| 5.Bd3 c5 | 6.Nge2 d5 | 7.cxd5 exd5 | 8.a3 Bxc3+ |
| 9.bxc3 b6 | 10.O-O Ba6 | 11.f3 Re8 | 12.Ng3 Bxd3 |
| 13.Qxd3 Nc6 | 14.Bb2 Rc8 | 15.Rae1 Rc7 | 16.e4 dxe4 |
| 17.fxe4 Ne5 | 18.Qe2 cxd4 | 19.cxd4 Nc4 | 20.Ba1 Qe7 |
| 21.Qf2 Qxa3 | 22.Qf4 Rce7 | 23.Nf5 Rxe4 | 24.Rxe4 Rxe4 |
| 25.Qg5 Qf8 | 26.d5 Ne3 | 27.Nh6+ Kh8 | 28.Rxf6 Qc5 |
| 29. ... | | | |

QUESTION :
White to win

Puzzle 642 Ans. :
33. Be5+ R2xe5 34. Qf6+ Qg7 35. Qxg7#
Damiano's rook mate
1-0

Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for & FOUNDATION COURSE for
CLASS -X (BOSEM) 5th December, 2022 3/4:00pm
CLASS -IX & X (BOSEM) 8th December, 2022 3/4:00pm
Our Position Holders of HSLC Exam 2022

1st POSITION Laishram Rahul
3rd POSITION Meneka Huidrom
8th POSITION Moirangthem Rex Singh
18th POSITION Chingakham Italy Meitei
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
7005517081
7085521811
HL-P/4575/1-30/11

LOAN AVAILABLE
( No-Downpayment )
8 Lacs ফাওবগী মনুংদা লৈবা any Vehicles - Eco Van, Diesel Auto, Petrol Auto, Battery Auto, Cars and any two wheelers নচিংবগী ওইনা 100% finance without downpayment দা Loan লৌবগী খূদোংচাবা L.G. Motors Branch Office :- Thoubal, Kakching, Samurou, Nambol, Moirang, Sekmai অমসুং H.Q. (Khagempalli) দগী ফংবীগনি।
N.B. :- Kakching, Thoubal, Moirang, Nambol, Sekmai অমসুং Samurou গী ওইনা Office Asst. 2/2 অমসুং Gr-IV/Helper 2/2 পামজৈ।
# Samurou গী ওইনা Car Wash Helper/ Mechanic Helper 2/2 পামজৈ।
Sd/- L.G. Motors
Khagempalli, Imphal West
# 9774495994 / # 8731978490
HL-B/7893/21,23

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com